# অনী থোক্লা খায়দোকখিবা মতুংদা অহানবা ওইনা দরবার মুভ, জম্মুগী সিভিল সেক্রেটরিয়েট হাংদোকখ্রে



**জম্মু, নবেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা 'দরবার মুভ' হায়না খঙনবা চহী ১৫০রোম শুরবা চৎনদুনা লাকপা অমগী শরুক ওইনা শ্রীনগরদা থা ৬ থবক তৌরম্লবা তুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী গভর্ণমেন্ট অমসুং অতৈ ওফিসশিংগী লৈফম সিভিল সেক্রেটরিয়েট অদু অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা জম্মুদা নোংমাইজিং নুমিৎতা অমুক হাংদোকখ্রে।

চহী অমদা ২রক মফম হোংবা অসি ষ্টেট অসিবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২– জম্মু এন্দ কাশ্মির, অমসুং লদাখ হায়না অনী থোক্লা খায়দোকখিবা অমসুং মদু ওক্টোবর ৩১দগী চৎনবা হৌখ্রবা মতুংদা অহানবনি।

শ্রীনগরগী রাজ ভবনদা জম্মু এন্দ কাশ্মির য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী অহানবা লেফটেনেন্ট গভর্ণর ওইনা থবক পায়নবা গীরিস চন্দ্র মুরমুনা মফম অসিদা ওফিস অদু হাংদোকপা ওইনা চপ চানা অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা সিভিল সেক্রেটরিয়েটকী লম্পাক অদুদা পুলিস কন্টিনজেন্ট অমনা মঙোন্দা পীখিবা গার্দ ওফ ওনর অদু য়েঙশিনখি।

অদুম ওইনমক হান্না লৈরম্বা ষ্টেট অদুগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোকনা মহৌশা তৌবগুন্না মহাক্না কষ্টমরি প্রেস কনফরেন্স অদু য়াওখিদে, মদুগী মহুৎতা সেক্রেটরিয়েট অদুদা মহাক্কী ওফিসিয়েল ৱার্ক হৌখি।

শ্রীনগরদা লৈবা সেক্রেটরিয়েট অমসুং অতৈ গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং অদু থা ৬ থবক তৌরক্লবা তুং ওক্টোবর ২৫–২৬তা থিংজিনখ্রে।

জম্মুদা থবক তৌবা হৌখিবা অতৈ ওফিসশিং অদুগী মনুংদা রাজ ভবন অমসুং পুলিস হেদক্কার্টরস য়াওখি। সিটি অসিদা, মরুওইনা সিভিল সেক্রেটরিয়েট তাবা লম্বীশিংদা জম্মুদগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবক তৌনবা লৌখৎপা সেক্যুরিটিগী থৌরাং ওইনা পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিং মশীং য়ান্না থমদুনা ঙাকহনখি।

সেক্রেটরিয়েট অদুগী মপান্দা মেন রোদ অদু পুলিসমেন ময়াম অমনা কন্না ঙাক শেলহনবগা লোয়ননা বেরিকেদশিং থমদুনা মীয়াম চখোক–চৎশিন তৌবা থিংখি। চেকশিন্না চেক তৌরবা তুংদা সিভিল সেক্রেটরিয়েট ইমপ্লোয়ীশিং খক্তবু লম্বী অদুদা চৎপা য়াহনখি।

নিংথমথাগী মতমদা থা ৬ গভর্ণমেন্টকী থবক জম্মুদগী তৌবা অমসুং কালেনগী মতমদা শ্রীনগরদগী থা ৬ থবক তৌবগী 'দরবার মুভ' হায়না খঙনবা চৎনবী অসি লমদম অদুগী য়ান্না শাথিবা অঙৗং–অশাগী ফিভম অদুদগী ঙাকথোক্লবা ১৮৭২দা মহারাজা গুলাব সিংহনা হৌখিবনি।

অদুম ওইনমক শিন্না–শিন্ননা থা ৬ থবক তৌদুনা কাশ্মির অমসুং জম্মু রিজনশিং অসিগী অনীমক গভর্নেন্সকী কান্নবা ফংহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলবা মতুং ফাওবদা চৎনবী অদু মখা তানা চখৎরকখি।

চহী–চহীগী ওইবা য়ুমফমদা লম্মীশিং অমসুং অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর তঙাই ফদনা শেমজিন শাজিনবা মরমনা চৎনবী অসিদগী জম্মু অমসুং শ্রীনগর সিটিশিংনা কান্নবা ফংলবসু দরবার মুভ হায়রিবসি শেন য়ান্না চংবা থবক অমনি। মসিগী থবক অসিদা জম্মু অমসুং শ্রীনগরগী মরক্তা ওফিসকী ফাইল ময়াম অমা মপৈ–মপৈ পুবা অমসুং ইমপ্লোয়ী লিশিং কয়াবু বস অমসুং ট্রক চা কয়াদা সিটি অনীসিগী মরক্তা পুথোক–পুসিন তৌবা তাই।

ওফিসশিং হোংদোকপগী থবক তৌবা ইমপ্লোয়ীশিং অদু চপ চানা চয়োল ২গী ফ্রী হোলিদে ফংই অমসুং চহী খুদিংগী ২রক কম্পেনসেটরি এলাৱেন্সশিং ফংই।

মমাঙদা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা মসিগী চৎনবী অসি মুখৎনবা অমসুং মসিগী মহুৎতা জম্মু অমসুং শ্রীনগর অনীমক্তা পার্মেনেন্ট ওফিসশিং লিংখৎনবা দিমান্দ তৌখি।

# ইমরান খান ফম থাদোক্নবা থাখিবা মতম লোইখ্রে, এন্টি–গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্ট লীদরনা ওল–পার্টি মীফম কৌখ্রে



**ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ** পাকিস্টানগী শাথিরবা ক্লেরিকতগী পোলিটিসিয়ান ওল্লকখিবা মৌলানা ফজলুর রেহমননা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী ফম থাদোক্নবগী মহাক্না পীখিবা পুং ৪৮গী মতম ঙসি লোয়খিবগা মখা তাবা থবক চংশিন্নবগী খন্ননবা পার্টি পুম্বগী কনফরেন্স অমা ঙসি কৌখ্রে।

লৈবাক্কী কোনুং অসিদা মাগী শৌগৎপা লিশিং কয়ানা শাবা 'অজাদি মার্চ' হায়না কৌবা অচৌবা প্রোটেষ্ট অমা লূচিংলিবা জমিয়াত উলেমা–ই–ইস্লাম ফজল (জে য়ু আই–এফ) লূচিংবা অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর মফম লৌথোক্নবা খোঙজং অসি মাঙলোমদা মখা চখৎখিগনি অমসুং কৈদৌঙৈদা খোঙফম হন্দোক্লোই হায়খি।

শান্তি ওইবা প্রোটেষ্টরশিংগী খাঙবা ঙম্দু চাংয়েঙদনা পাকিস্টানগী গুরবাচেবনা শোয়দনমক ফম থাদোক্কদনি হায়রদুনা ইরাই নুমিৎতা রেহমননা ইমরান খানদা নুমিৎ নীনিগী অরোইবা মতম পীখিবনি।

মশাগী চহী ৬৬ শুরবা ক্লেরিক অসিনা প্রোটেষ্ট অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা ফম থাদোক্ত্রিবা ফাওবা চখৎখিগনি হায়খি।

জে য়ু আই–এফনা অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংগী লূচিংবশিংগা খন্নরগা তুংদা চখৎগদবা থবক অদু খন্ননবা পার্টি পুম্বগী কনফরেন্স অমা কৌখ্রে হায়না দ এক্সপ্রেস ট্রিবুন্না হায়খি।

প্রোটেষ্ট অদুগীদমক রেহমনগী আপিলশিং অদু পাকিস্টান মুস্লিম লিগ –নৱাজ (পি এম এল–এন), পাকিস্টান পিপল'স পার্টি (পি পি পি), পাখতুনখৱা মিলি অৱামি পার্টি, কুৱামি ৱটন পার্টি, নেসনেল পার্টি অমসুং অৱামি নেসনেল পার্টিনা শৌগৎলকখি।

অদুম ওইনমক পার্টি পুম্বগী মীফম অসিদা পি পি পি চীফ বিলাৱাল ভুতো–জরদারি অমসুং পি এম এল–এনগী মকোক সভাজ সারিফ শরুক য়াবা ঙন্নদবা য়াই হায়না দোন ন্যুজগী পাউনা হায়রি।

মরীলৈনবা পার্টি লূচিংবশিংগী ৱাফম পল্লদুনা রিপোর্ট অসিনা অসিগুম্বা অতেনবা মতম অমদা ইস্লামাবাদতা মীফম অদুদা শরুক য়াবা হায়বসি পার্টি চীফশিং–বিলাৱাল অমসুং সভাজনা ঙন্নদবা য়াই হায়খি।

সভাজ সারিফ মশাগী মখ্বাং নাবা অমসুং হান্নগী প্রোগ্রামশিংগী মরমদগী য়াওবা ঙন্নদবা য়াই। অমরোমদা মফম অসিদগী কিলোমিটর ৬২০লোম লাপ্পা বহাৱালপুর সিটিদা লৈরিবা বিলাৱালসু অজাদি মার্চকী মতুংগী লাল্লোংগী অরোইবা খন্নগদৌরিবা মীফম অদুদা শরুক য়াবা ঙল্লোইদৌরি হায়না পি পি পিগী লিখুলশিংনা হায়রি।

কোনুং অসিদা লো এন্দ ওর্দর কায়হন্দনা থন্নবা গভর্ণমেন্টনা পাক–চাওনা সেক্যুরিটিগী থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে। সিপ্পিং কন্টেন্নরশিং, তিংখং–তরাশিং থমদুনা মেন রোদশিং পুল্লপ নৎত্রগা মচেৎ খরা ওইনা থিংদুনা থমখ্রে। মরুওইবা ওফিসিয়েল বিল্ডিংশিং অমসুং ফোরেন এম্বেসিশিং লৈরিবা রেদ–জোন অদু সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ৭০০রোম থমদুনা হান্ননা অকনবা মওংদা ঙাক–শেন্দুনা লৈখ্রে।

# গুরু নানক মপোক–কুমওন থৌরমগীদমক ইন্দিয়াদগী সিখ ১,১০০ পাকিষ্টানগী গুরুদ্বরা পঞ্জা সাহিবতা থুংখ্রে

**ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ** গুরু নানক দেবগী চহী ৫৫০ শুবা মপোক–কুমওন থৌরম পাংথোক্নবগীদমক নগর কিরটন কৌবা লাইনিংগী খোঙচৎকী শরুক ওইনা ইন্দিয়াদগী সিখ পিলগ্রিম লিশিং অমা হেন্না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা পাকিষ্টানগী হাসনাবদালদা লৈবা গুরুদ্বরা পঞ্জা সাহিবতা থুংখ্রে।

ইভেক্কুই ট্রষ্ট প্রোপরটি বোর্দ (ই টি পি বি) দিপুটি সেক্রেটরি শ্রাইন্স, ইম্রান গোন্দালনা হায়খি, সিখ ১,১০০ হেন্না লুধিয়ানা অমসুং অমৃতসর ফাওরগা ওক্টোবর ৩১দা ৱাগাহা বোর্দর অদু লান্থোক্লকখ্রে।

সিখ পিলগ্রিমশিং অদুনা গুরুদ্বরা জন্মস্থান, ননকানা সাহিব, গুরুদ্বরা সাচা সোদ্দা ফরুকাবাদ অমসুং অতৈ শ্রাইনশিংদা চৎখি।

লাই খুরুম্বগী খোঙচৎ অসি করতারপুরদা লৈরিবা গুরুদ্বারা দরবার সাহিবতা সনাগী দোলাই 'পালকি সাহিব' অমা খিল্লগা লোয়শিনগনি।



পাকিস্টান অমসুং ইন্দিয়াগগী প্রোটোকোল ওন ভিজিটস টু রিলিজিয়স শ্রাইনস ১৯৭৪গী মখাদা অয়াবা পীবা কন্টিনজেন্টতগী হেন্না নগর কিরটন অদুগীদমক ভিসা ১৩০০লোম পীখি হায়না গোন্দালগী ৱাফম পল্লদুনা পাকিষ্টানগী ইংলিস পাউ–চে 'দোন'না হায়খি।

পাকিস্টান সিখ গুরুদ্বরা পরভন কমিটি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকা খূৎশন্নরগা ইভেক্কুই ট্রষ্ট প্রোপরটি বোর্দনা ইন্দিয়ান অমসুং মফমদুগী সিখ পিলগ্রিমশিংগীদমক সেক্যুরিটি অমসুং এক্কোমোদেসন থৌরাং তৌখি হায়না মিষ্টর গোন্দালনা হায়খি।

ঈ–পাউ কাংবুদা ৱা ঙাংবদা সিখ কম্যুনিটিবু লাই খুরুম্বা য়াহন্নবা করটারপুর কোরিদর হাংদোক্নবগী খোঙথাং অদুবু থাগৎখি অমসুং ননকানা সাহিবতা বাবা গুরু নানক য়ুনিভর্সিটিগী ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংখিবা অমসুং গুরু নানক দেবগী ৫৫০শুবা মপোক –কুমওন থৌরমদা নিংশিং–শেনয়েক অমা পুথোকপগীদমকসু পিলগ্রিম কয়ামরুন্না প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবু থাগৎখি।

নবেম্বর ৯দা হাংদোক্কদৌরিবা করটারপুর কোরিদরনা ইন্দিয়াগী পঞ্জাবতা লৈরিবা দেরা বাবা নানক শ্রাইনগা ইন্টরনেসনেল বোর্দরদগী সুপ্নগী কিলোমিটর ৪ লাপ্পা পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সকী নারোৱাল দিষ্ট্রিক্টকী করটারপুরদা লৈবা দরবার সহিব অদুগা শন্নহনগনি।

# শ্রীনগরগী কৈথেলদা এস এস বি পেট্রোলিং পার্টিদা টেরোরিষ্টশিংনা গ্রেনেদ লংশিল্লকপদা ১ শিখ্রে, ২৫ শোকখ্রে



**শ্রীনগর, নবেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কোনুং শ্রীনগরগী কৈথেল অমদা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা টেরোরিষ্টশিংনা গ্রেনেদ অমা লংশিল্লকপদা মীওই ১ শিখ্রে, ২৫ শোকখ্রে। থৌদোক অদু সিটি অসিগী মৌলানা অজাদ রোদতা লৈবা মীচিল্লবা কৈথেল অমদা ঙসি নুংথিল পূং ১.২০ চৎপদা থোকখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

সিটি অদুগী ময়াইদা হরি সিংহ হায় ষ্ট্রিটতা গ্রেনেদ পোকখায়বা অদুদা শোকখিবা মীওই ২৫ অদুগী মনুংদগী হৌজিক ফাওবা অরুবা ফিভমদা লৈবা অমা য়াওনা মীওই ৯ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কনখি।

থৌদোক মফম অদু থিবা হুম্বা চখনবগীদমক সেক্যুরিটি ফোর্সনা কোয়শিন্দুনা থম্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী এটেক অসি শ্রীনগর সিটিগী সিভিল লাইন্স এরিয়াদা কৈথেলশিং হাংদোক্নখিবা অমসুং মহৌশাগুম লম্বী চখোক–চৎশিন তৌনরকপা মতমদা থোকখিবনি।

অৱাং কাশ্মিরগী সোপোরদা চখৎরকখিবা অতোপ্পা গ্রেনেদ এটেক অমগী চয়োল অমগী তুংদা ঙসিগী এটেক অসি চখৎরকখিবনি।

ওক্টোবর ২৮দা অৱাং কাশ্মিরগী সোপোর টাউনদা টেরোরিষ্টশিংনা গ্রেনেদ অমা লংশিল্লকপদা মীওই ১৯ শোকখি। হোটেল প্লাজা মনাক্তা লৈবা বস ষ্টেন অমদা চখৎরকখিবা এটেক অদু য়ুরোপিয়ান পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংগী দিলিগেসন অমনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লাক্কদবগী নোংমগী মমাঙদনি।

ওক্টোবর ১২দা শ্রীনগরগী মার্কেট মফম অমদসু টেরোরিষ্টশিংগী গ্রেনেদ এটেক অমদা মীওই ৮ শোকখি।

# মহারাষ্ট্রদা শিব সেনানা বি জে পিগী মথক্তা শাফু পীথবা হেনগৎলকখিবগা দিল্লিদা মরুওইবা মীফম অনী ফমখ্রে

**ন্যু দিল্লি / মুম্বাই নবেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ** মহারাষ্ট্রদা পূনশিল্লগা ময়েক শেংলবা মেজোরিটি অমা ফংলবা বি জে পি অমসুং মসিগী খোঙবু শিব সেনা, অনীসিগী মরক্তা শক্তিগী মুকখায়নবা অমগী মরমদগী নুমিৎ ১১নি গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমলকখিদ্রবা মহারাষ্ট্রগী মতাংদা ঙসি দিল্লিদা মরুওইবা মীফম অমা পাংথোকখ্রে।

হূ চেনবা মৈখুনা রেকোর্দ য়ৌবা চাংদা কুপশিনবদগী তঙাইফদনা স্কুলশিং থিংজিনখিবা অমসুং মীয়ামবু য়ুম–য়ুমদগী মপান থোক্তনবা খঙহনখ্রবা তাঙ্কক অমদা দিল্লিদা মকোক থোংবা মহারাষ্ট্রগী লূচিংবা ২ ৱারী শান্ননবগীদমক সিটি অসিদা লাক্লি।



বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিস অমসুং হৌখিবা থাগী ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা ৩শুবা তাখিবা ওপোজিসন নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)গী লূচিংবা সরদ পৱার সিটি অসিদা অরুবা ৱাফমশিং তান্ননবা লাক্লি।

দেবেন্দ্রা ফদনাবিজনা মহাক্কী পার্টি চীফ, হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ উন্নখ্রে। নাকন অমরোমদা সরদ পৱারনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা মহারাষ্ট্রগী মতাংদা খন্ননবা উন্নরবা য়াই।

মিষ্টর ফদনাবিজনা অমিত শাহগা মহাক্না খন্নখিবশিং অদু মহারাষ্ট্রদা মহৈ–মরোং মাঙ–তাকখিবা অদুগী মতাংদনি হায়খি। ঐহাক্না গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা কন্নগম্বা অমত্তদা করিগুম্বা অমত্তা হায়বা পামদে। ঐনা হায়বা পাল্লিবা হায়ববু অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা থুনমক শেন্নগনি, মসিদা ঐহাক থাজে হায়না মহাক্না পাউমীশিংদা হায়খি।


মহারাষ্ট্রদা ঙসি পাংথোক্কদবা ৩শুবা মীফম অমা য়ান্না মরু ওইরবা অমা ওইরবা য়াই। শিব সেনাগী সঞ্জয় রাউত, রাজ্য সভা এম পি অসিনা গভর্ণর ভগত সিংহ কোসিয়ারি উন্নরবা য়াই অমসুং গভর্ণমেন্ট শেন্নবা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পর্টি অদুদা বার্ত্তন তৌরনবা অপিল তৌরবা য়াই।

'লমথুংফম অদু য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙগী খোঙচৎ নুংঙাইনিঙাইনি' হায়রদুনা মেসেজ অমগা লোয়ননা শিব সেনা লিদর অদুনা পার্টি চীফ উদধব থাক্করেগা মহাক্না নমিন্নবা ফোটো অমা ত্বিইট তৌরদুনা ঙসি হায়খি।

মসিদা লোন্না নৎত্রগা মরুমদা খন্নবশিং লৈতে। য়ান্নদবা অমখক লৈ অমসুং ঐখোয় মদুগী দায়ত্ব নৎতে। সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি অদু ওইবা মরন্না বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট শেন্নবা অহানবা হায়গদবনি। মখোয়না মদু ঙমদ্রবদি ঐখোয়না গভর্ণমেন্ট শেন্নবা হায়বা য়াই হায়না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা পাউমীশিংদা সঞ্জয় রৱাতনা হায়খি।

# হোং কোং প্রোটেষ্টশিংদা ছুরিনা থিনবা, পোলিটিসিয়ানগী মনা লেন্থৎপা কয়া য়াওখ্রে

**হোং কোং, নবেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ** ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা পুলিসকা কোয়তান তান্নদুনা খূৎ থোক্নবশিংদা হোং কোং এন্টি–গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা সোপিং মোল অমদা পূন্সিনখ্রে অমসুং খূৎ থাক্নবশিং অদুদনা মীওই অমনা ছুরি অমনা মীওই কয়ামরুম লেনথৎখ্রে, মদুগী মরক্তা মফমদুগী পোলিটিসিয়ান অমগীসু মনা মচেৎ অমা লেনথৎখ্রে।



নোংপোক থংবা টাইকু সিং টাউনদা লৈবা সিটিপ্লাজাদা হ্যুমেন চেন অমা পুলিসকা হকথেঙননা মাই–মাই ওন্সিন্নবা লান অমা ওল্লকখ্রে।

প্রোটেষ্টরশিং অদুনা প্রোটেষ্টশিং অদুগী ২২শুবা নোংমাইজিং নুমিৎ অদুদা শান্তি ওইনা খোল্লাওশিং লাওবা অমগী মতুং মোল অদুগী রেষ্টোরেন্ট অমা থুগাই–খোকাইবগী থবক চখৎখি। মদুদা মীওই কয়ামরুম শোকখি। অঙৌবা টি সার্ট লিংপা, ছুরিগুম্বা থাঙ অমা পায়রমগনি থাজবা মীওই অমবু প্রোটেষ্টরশিংনা চৈনা ফুখি। অতোপ্পা মীওই অমসু সোপ্পিং মোলগী মমাঙদা মীওই অমগী ঈ মরক্তা তাদুনা লৈ। শোক্নবশিং অদুগী মনুংদা দেমোক্রেটি দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলর এন্দ্রিয়ু চিয়ুসু য়াওখি। মহাক্কী মনাদগী ঈ মরীক–মরীক তারকখি। ছুরি পায়বা মীওই অদুনা চিয়ুগী মনা অদু লেনথৎখ্রে অমসুং অতৈ মীওইশিংসু লেনখ্রে হায়না দেমোক্রেটিক পার্টি লোমেকর জেমস টোনা পাউমীশিংদা হায়খি। ঈ তৈবা মখূৎনা প্লাষ্টিক খাও অমদা মহাক্কী মনা মচেৎ অমা পায়রদুনা টিভিদা উখিবা চিয়ুদগী হেন্না অতোপ্পা মীওই অদুনা হেন্না শাথিবা ফিভমদা শোকখি হায়না মহাক্না হায়খি। চাকখুমগী ছুরি অদু মোল অদুগী মপানগী লৈমাইদা তাদুনা লৈখি।

হোং কোংদা চিনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)গী গেরিজন অমা লৈ অদুবু প্রোটেষ্টশিং অদু হেক হৌরকখিবা মতমদগী লান্মী ট্রুপশিং মপান থোক্তনা মখোয়গী বেরেকশিংগী মনুংদা লৈখি।

# লেবাননদা মীওই লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**বৈরুট, নবেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ** লেবাননদা জেনরেল ষ্ট্রাইক অমা কৌবগা লোয়ননা লৈঙাক পায়রিবশিংবু ফম থাদোক্নবা দিমোনষ্টেটরশিংনা দিমান্দ তৌদুনা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী চাওবা সিটিশিংদা পাক চাওরবা এন্টি–গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিং পাংথোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা বৈরুটকী মার্টরস স্কৱারদা প্রোটেষ্টর লিশিং–লিশিংনা পুনখি। লেবানন গভর্ণমেন্টনা ৱাটচএপ্প, ফেসবুক নৎত্রগা ভাইবরগুম্বা সোসিয়েল নেটৱার্কশিংদা ভোইস কোলশিংগীদমক নোংমদা সেন্ট ২০গী রেট অমা অয়াবা পীদুনা শেন পুথবা ষ্টেটকীদমক রেভিন্যু হেনগৎনবা হোৎনরকখিবদগী ওক্টোবর থাখাইদগী হৌজিককী প্রোটেষ্টশিং অসি হৌরকখিবনি। প্রোটেষ্টশিং অসি অৱাং থংবা ট্রিপোলি সিটি, নোংপোক থংবা সিটি বালবেক অমসুং সিদোন অমসুং নাবাটিয়েহ য়াওনা খা থংবা সিটিশিংদা পাক শন্না শন্দোকখ্রে।

# জম্মুগী সম্বাদা নহা ৪৪,০০০রোমনা আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লিদা রেজিষ্টার তৌখ্রে



**সম্বা, নবেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ** ইন্দিয়ান আর্মিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সম্বাদা লৈবা সের বচ্চা ষ্টেদিয়ামদা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা নহারোলশিংগীদমক অচৌবা রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অমা পাংথোকখ্রে অমসুং মদুদা চাওরাক্লা নহা ৪৪,০০০রোমনা শরুক য়াদুনা ফজনা মায় পাকখ্রে। মসি জম্মু এন্দ কাশ্মিরনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইরকখ্রবগী মতুং অহানবা রিক্রুটমেন্ট দ্রাইবনি।

পাউগী এজেন্সিদা ৱা ঙাংবদা জম্মুগী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসার (পি আর ও) দিফেন্স, লেফটনেন্ট কর্নেল দেবেন্দর আনন্দনা হায়খি, রিক্রুটমেন্ট রেলি অদুদা মশীং য়ান্নবা নহানা শরুক য়ারকখিবা অদুনা মীয়াম্না লৈবাক অসিগী থবক কয়ামুক য়ান্না তৌনিংবগে হায়বদু উৎলি হায়খি।

মসি নহরোলশিং অসিনা লৈবাক অসিদা মখোয়গী সার্ভিসশিং পীনবা মপুং ফানা থৌরাং তৌরি হায়বদুগী খুদমনি।

মসিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চাওখৎ খোঙজেলদা খুরৌ অমত্তা লৈহল্লরোই। হেন্না ফবা অচুম্বা মায়কৈদা নহরোলশিংনা মাঙলোমদা চংশিল্লক্লি হায়বসি মসিনা উৎলে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নুমিৎ ১০নিগী রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অদু নবেম্বর ৩দগী হৌখি অমসুং নম্বের ১২ ফাওবা চখৎগনি।

জম্মু, কাথুৱা অমসুং সম্বা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী নহা ওইরিবা মীওইশিং অসিনা আর্মি য়ুনিফোর্ম শেৎনবগী খুদোংচাবা অমগীদমক রেল্লি অসিদা য়ান্না থৱাই–হকচাং য়াওনা শরুক য়াখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-291**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | 3 | 5 | | 4 | | |
| 7 | | | | 8 | 1 | | | 6 |
| | | | 7 | | | 5 | 1 | 9 |
| 6 | 8 | | | | | 7 | | 5 |
| 5 | 1 | | | | 6 | | | 8 |
| | | 7 | | | 5 | | 3 | 1 |
| 1 | | 6 | | | | 8 | | 3 |
| | 7 | | 6 | | | | 5 | |
| | | 5 | | 1 | | | 6 | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 05/10/19
Sl. No. :5530
Valid : 05/10/19
Sl. No. :5151
Stk :306
Time :07.00 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 14/10/19
Sl. No. :51651 to 52002
Time :07.30 to 09.30 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 08/10/19
Valid :04/10/19
Stk :306
Time :07.00 to 10.00 a.m.

**Haran Velley, Kwakta**
Booking : 14/09/19
Valid :13/09/19
Stk :306
Time :07.30 to 10.30 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 03/09/19
alid :01/09/19
Stk :306
Time :07.30 to 10.00 a.m.

**G B D Indane Service**
Booking : 03/10/19
Valid :30/09/19
Stk :306
Time :07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Athokpam Indane**
Booking : 27/09/19
Valid :23/09/19
Stk :612
Time :06.30 to 10.00 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 16/09/19
Valid : 12/09/19
Sl. No. :52212
Stk :306
Time :07.00 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 28/09/19
Valid :24/09/19
Stk :306
Time :07.30 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 16/09/19
Valid :12/09/19
Stk :612
Time :07.00 to 10.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking :09/10/19
Valid :08/10/19
Stk :306
Time :07.00 to 10.00 a.m.

**Yaitripok Gas Service**
Booking :06/10/19
Valid :04/10/19
Stk :306
Time :07.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 07/10/19
Valid :04/10/19
Stk :612
Time :07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Loktak Indane**
Booking : 30/10/19
Stk :210
Time :07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**সনা–সুদোকু – ২৯০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 3 | 7 | 9 | 8 | 4 | 6 | 2 |
| 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 1 | 3 | 5 | 9 |
| 4 | 9 | 2 | 6 | 5 | 3 | 8 | 1 | 7 |
| 9 | 5 | 7 | 8 | 3 | 4 | 1 | 2 | 6 |
| 2 | 3 | 4 | 5 | 1 | 6 | 9 | 7 | 8 |
| 8 | 6 | 1 | 2 | 7 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 1 | 8 | 6 | 3 | 4 | 7 | 2 | 9 | 5 |
| 3 | 4 | 5 | 9 | 6 | 2 | 7 | 8 | 1 |
| 7 | 2 | 9 | 1 | 8 | 5 | 6 | 3 | 4 |